# জপান্না কলম্বিয়া থোইখ্রে, পোলেন্দ সেনিগালগী মখূৎতা মায়থীখ্রে, ইংলেন্দনা টুনিসিয়া থোইবা ঙমখ্রে

FIFA WORLD CUP RUSSIA 2018

**Today's Match**

Portugal Vs Morocco
Time :- 5.30 p.m.
Uruguay Vs S. Arabia
Time : 8.30 p.m.
Iran Vs Spain
Time : 11.30 p.m.



জপাননা কলম্বিয়া থোইখিবা মেচতা ২শুবা পাঞ্জল চনখিবা য়ুয়া ওসাকো (১৫)



পোলেন্দবু মায়থীবা পীখিবদা হরাউবা ফোঙদোক্লিবা সেনেগালগী শান্নরোয়শিং

মোস্কো, জুন ১৯ (এজেন্সী) ঃ এসিয়াগী লৈবাক অমা ওইরিবা জপান্না ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ঐচকী অহানবা মেচতা কলম্বিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। গ্রুপ অসিগী অনীশুবা মেচতা সেনেগালনা পোলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইবা ঙমখ্রে। ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা গ্রুপ জিগী অনীশুবা মেচতা ইংলেন্দনা টুনিসিয়াবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

সরান্সক সিটিদা লৈবা মোর্দোভিয়া ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা রসিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ঐচকী অহানবা মেচতা জপান্না কলম্বিয়াগা থেংনখি। এসিয়াগী ফুটবোল চেম্পিয়ন মরিরক ওইবা ঙমখ্রবা জপানগী টিম্না মেচ অদুগী হৌবদা য়াম্না চাউনা কান্নবা অমা ফংখি। টিম অদুগী এটেক অমদা কলম্বিয়াগী পেনালটি এরিয়া মনুংদা দিফেন্দর কার্লোস সাঞ্চেজনা অতম্নবা বোল অদু মখূৎনা ঙাকথোক্লুবগীদমক মহাক মেচ অদুগী রেফ্রি স্লোভেনিয়া মচা দামির স্কোমিনানা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। থৌদোক অদুনা জপাননা পেনালটি অমা ফংখি। মদুদা জপানগী শান্নরোয় সিঞ্জি টকাৱানা মেচকী ৬শুবা মিনট অদুদা পেনালটি অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা কলম্বিয়াবু মাঙজিল থাখি।

কলম্বিয়াগী শান্নরোয় ১০গী মায়োক্তা জপানগী শান্নরোয় ১১না এটেক চত্থরকখিবা অদু অহেনবা কান্নবা ফংবা ঙমদনা মেচ অদু মখা চত্থরকখি। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা কলম্বিয়াগী এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় জোন ক্ৱইন্টেরোনা য়াম্না নেম্ন া কাওরকপা বোল অমা জপানগী দিফেন্দরশিং লান্থোক্তুনা চঙশিল্লকখিবদা টিম অদুগী গোলকিপর ইজি কৱাসিমানা বোল অদু কলেক্ট তৌনবা হোৎনবদা গোল লাইন মনুং লানশিনখিবা মরম্না মেচ অদুগী ইক্বেলাইজর অদু কলম্বিয়াগী ওইখি।

শান্নরোয় মশীং ৱাৎলবসু কলম্বিয়ানা জপানবু য়াম্না লেং মান্ননা মায়োক্লবা ঙমদুনা অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা কলম্বিয়াগী য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় স্পেনগী রিএল মেদ্রিদ ফুটবোল ক্লবতগী জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব বয়র্ন ম্যুনিক্তা লোন্দা শান্নরিবা জেমস রোদ্রিগেজ শান্নবা চঙলকখি।

পনবা য়াই, মহাক ব্রাজিলগী ২০১৪ ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা গোল্ডন বুট এৱার্দ ফংখ্রবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী পাঙ্গল হাপচিন্দুনা টিম অদুগী শান্নরোয় ১০ অদুনা জপানগী মায়কৈদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা লাক্লরকখি। শান্নরোয় অমা ৱাৎপগী মফম মেনশিনবা ঙমদবা মরম্না জপানগী হাফতা কলম্বিয়াগী শান্নরোয়শিং অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেচকী ৭৩শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোয় য়ুয়া ওসাকানা টিম অদুনা কাওরকখিবা কোর্নর কিক অমগী বোল অদু নীংথিনা হেদ তৌশিন্দুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

মেচকী লেমহৌবা মিনট ২০ লোমগী মতম অদুদা কলম্বিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা জপান ৱর্ল্ড কপ অসিদা এসিয়াগী ওইনা ইরানগা লোয়নননা অহানবা মেচ মায় পাকপা ঙমখি।

গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি মোস্কোদা লৈবা ওটক্রিটে এরেনাদা শান্নখিবা সেনেগাল অমসুং পোলেন্দগী মেচ হৌরকপদা য়াম্না মান্নবা ঙমখি। সেনেগালগী টিম অফ্রিকাগী ওইনা য়াম্না মমিং লৈরবা টিম অমা ওইদুনা লাকখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা সেনেগালগী শান্নরোয় ইদ্রিসা গুইএনা কাওরকপা বোল অমা পোলেন্দগী দিফেন্দর থিয়াগো সিওনেক্তা পাল্লগা গোল মনুংদা চঙখিবদগী সেনেগালনা পোলেন্দবু অহানবা হাফ অদুগী লোইরমদাই অদুদা পাঞ্জল ১ মাঙজিল থারগা চৎখি।

পোলেন্দগী টিমদা জর্মনিগী বয়র্ন ম্যুনিক্তা শান্নরিবা মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর রোবার্ট লিৱান্দোস্কি শরুক য়ারিবনি। মহাকপু সেনেগালগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা মার্ক তৌদুনা লৈখিবা মরম্না মঙোন্দা খাইরক্কদবা বোলশিং অদু মশীং হন্থখি। অহানবা হাফ অদুদা সেনেগালনা পাঞ্জল অমা হেনখিবা অদু হন্দোক্লবা পোলেন্দগী শান্নরোয়শিং অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু উপাই লৈতনা হাফ অদু মখোয় পাঞ্জল ১ শোত্থরগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা মিনট ১৫ রোম হৌজিল্লফাওবদা পোলেন্দনা য়াম্না পাম্না থিরিবা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈরিঙৈ টিমদুগী শান্নরোয় গ্রীগোস ক্রাইচোরিয়াক্না বেক পাস তৌরকপদা বোল অদুগী খোঙজেল তপখিবা মরম্না সেনেগালগী শান্নরোয় মায়েনিয়াংনা মুনবা ঙম্লবা মতুং পুশিল্লগা পোলেন্দগী গোলকিপর মায়থীবা পীদুনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৱর্ল্ড কপ অসিদা পোলেন্দগী আশা পীকশিলহনখি।

মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা পোলেন্দগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা সেনেগালনা অনীশুবা পাঞ্জল চনবদা অশোয়বা তৌখিবা গ্রীগোস ক্রাইচোরিয়াক্না শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা শোত্থখিবা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি। লেমহৌবা মিনটখরা অদুদা পোলেন্দগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা মেচ অদু সেনেগালনা ২-১দা পোলেন্দবু থোইখি।

ঙরাং অথেংবদা লোইশিনখিবা গ্রুপ জিগী মেচ অদুদা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমমম লৈনখ্রবা মতুং ইংলেন্দনা টুনিসিয়াগী মায়কৈদা এটেক ফনা য়াম্না চত্থরবসু টুনিসিয়াগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্ন া ফজবা মওংদা মখোয়গী গোল লাইন অদু থিংবা ঙমখিবদগী মখা তাবা পাঞ্জল হাপ্পা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিনখি। ইঞ্জুরি টাইমগী অহৌবা মিনটতা ইংলেন্দগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কেপ্তেন হেরি কেন্না য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা হোৎনবা কনখিবা টুনিসিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা গ্রুপ জিদা ইংলেন্দ পোইন্ট ৩ ফংদুনা নোকআউটকী আশা চাউনা লৈরি।

> ### রসিয়া অমসুং ইজিপ্ট মেচ (হাফ টাইম)
> *ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী য়ুম্নু লৈবাক রসিয়ানা নোকআউট রাউন্দ য়ৌনবগী অচৌবা আশাগা লোয়নননা ঙসি ইজিপ্টকা শান্নখিবা গ্রুপ এগী অহানবা হাফ অদুগী মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈরি। ইজিপ্টকী টিমদা মমিং লৈরবা হৌখিবা সিজনগী ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেচ ৩৬ শান্নবদা গোল ৩২ চন্দুনা গোল্ডন বুট মনা ফংখ্রবা মোহম্মদ সলাহ য়াওরকপনা টিম অদুগী পাঙ্গল হেনগৎখি। ইজিপ্ট অহৌবা মেচতা উরুগ্বেগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।*

**GROUP - A**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Russia | 1 | 1 | 0 | 0 | 5 | 0 | +5 | 3 |
| 2 | Uruguay | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 3 | Egypt | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 4 | S. Arabia | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 5 | -5 | 0 |

**GROUP - B**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Iran | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 2 | Portugal | 1 | 0 | 1 | 0 | 3 | 3 | 0 | 1 |
| 3 | Spain | 1 | 0 | 1 | 0 | 3 | 3 | 0 | 1 |
| 4 | Morocco | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

**GROUP - C**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | France | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 2 | Denmark | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 3 | Australia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 4 | Peru | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

**GROUP - D**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Croatia | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 0 | +2 | 3 |
| 2 | Argentina | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 3 | Iceland | 1 | 0 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 4 | Nigeria | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 2 | -2 | 0 |

**GROUP - E**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Serbia | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 2 | Brazil | 1 | 1 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 3 | Switzerland | 1 | 1 | 1 | 0 | 1 | 1 | 0 | 1 |
| 4 | Costa Rica | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

**GROUP - F**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mexico | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 2 | Sweden | 1 | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | +1 | 3 |
| 3 | S. Korea | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |
| 4 | Germany | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 1 | -1 | 0 |

**GROUP - G**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Belgium | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 0 | +3 | 3 |
| 2 | England | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Tunisia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 4 | Panama | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 3 | -3 | 0 |

**GROUP - H**

| Pos | Team | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Japan | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 2 | Senegal | 1 | 1 | 0 | 0 | 2 | 1 | +1 | 3 |
| 3 | Poland | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |
| 4 | Colombia | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 2 | -1 | 0 |

## ২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮

# টি ঐচ বেঞ্জামিন, মাইবম লুয়াবা, এস বিনোয়, সনসম দারিয়স, কাঙবম সরত অমসুং উশম তরুনকুমার গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৯ (ঐচ এন এস) ঃ নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই), দেল্লিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর রাইফল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জতা পাঙথোকপা ২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা টি ঐচ বেঞ্জামিন, মাইবম লুয়াবা মীতৈ, এস বিনোয়, সনসম দারিয়স, কাঙবম সরত অমসুং উশম তরুনকুমার গোল্ড মেদল লৌখ্রে।



তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৪গী নুপী ৪৩ অমসুং নুপা ৮৫ পূন্না শুটর ১২৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ২৮শুবা ওল মণিপুর শুটিং কম্পিটিসন ২০১৮গী মিটর ৫০গী মেন্স ইন্দিভিজুএল ফ্রী পিষ্টল (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী টি ঐচ বেঞ্জামিন্না পোইন্ট ২৪২ ফংলগা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী কবিব কেথরনা পোইন্ট ২২৮ ফংলগা শিলভর অমসুং আই দব্লিয়ু দি আর এগী নোংথোম্বম কিরনকান্তনা পোইন্ট ২২৭ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

মিটর ৫০গী মেন্স ইন্দিভিজুএল ওপন সাইদ ষ্টেন্দর্দ রাইফল প্রোন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী মাইবম লুয়াবা মীতৈনা পোইন্ট ৪৭৪ ফংলগা গোল্ড, আই দব্লিয়ু দি আর এগী এম রাজবিহারিনা পোইন্ট ৪৫৫ ফংলগা শিলভর অমসুং আইঈ দি আর এগী খম্লাম রতনকুমার মীতৈনা পোইন্ট ৪৪১ ফংলগা শিলভর লৌখি।

মিটর ৫০গী মেন্স ইন্দিভিজুএল স্মোল বোরফ্রী রাইফল প্রোন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আইঈ দি আর এগী এস বিনোয়না পোইন্ট ৫৮৩ ফংলগা গোল্ড, আই দব্লিয়ু দি আর এগী আর কে সনাহলনা পোইন্ট ৫৭৬ ফংলগা শিলভর অমসুং আই দব্লিয়ু দি আর এগী সিনাম সোমোরেন্দ্রো মীতৈনা পোইন্ট ৫৬৭ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি। মিটর ৫০গী জুনিয়র মেন্স ইন্দিভিজুএল স্মোল বোর ফ্রী রাইফল প্রোন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী সনসম দারিয়সনা পোইন্ট ৫৬৫ ফংলগা গোল্ড, আই ঈ দি আর এগী অরিবম প্রবিন শর্ম্মনা পোইন্ট ৫৫৬ ফংলগা শিলভর অমসুং আই ঈ দি আর এগী অদরস লাইরেঞ্জম্না পোইন্ট ৫৫৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

মিটর ৫০গী মেন্স ইন্দিভিজুএল স্মোল বোরফ্রী রাইফল থ্রি পোজিসন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই ঈ দি আর এগী এস বিনোয়না পোইন্ট ৫৫৩ ফংলগা গোল্ড অমসুং আই দব্লিয়ু দি আর এগী সিনাম সোমোরেন্দ্রো মীতৈনা পোইন্ট ৫২৩ ফংলগা শিলভর মেদল লৌখি।

মিটর ৫০গী মেন্স ভেটেরান্স (সোট ৩০) ওপন সাইদ ষ্টেন্দর্দ রাইফল প্রোন (এন আর) চেম্পিয়নশিপ্তা আই দব্লিয়ু দি আর এগী কাঙবম সরতনা পোইন্ট ২৯ ফংলগা গোল্ড লৌখি। কম্পিটিসন অসিগী অরোইবা ইভেন্টকী মিটর ২৫গী মেন্স ইন্দিভিজুএল (পার্সনেল গন লাইসেন্স) সেন্তর ফায়র পিষ্টল/ রিভোলবরদা আই ঈ দি আর এগী উসম তরুনকুমারনা পোইন্ট ৩৮ ফংলগা গোল্ড, আই দব্লিয়ু দি আর এগী আর কে চীংলেন্না পোইন্ট ১৯ ফংলগা শিলভর অমসুং আই ঈ দি আর এগী মনোহরময়ূম বারিসনা পোইন্ট ১০ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কম্পিটিসন অসিগী হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা এদ্যুকেসন, লেবর এন্দ এমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর কোঞ্জাম রোবিন্দ্রোনা প্রসিদেন্ট, ইষ্টর্ন মোটোরগী প্রোপ্রাইটর সিনাম প্রিতম অমসুং মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট আই হেমোচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

# অলটিমেট টেবল টেনিস লীগতা ৱারিয়র্স টি টি সীনা এম্পৱরজি চেলেঞ্জরসপু গেম ১৪-৭তা থোইখ্রে

পুনে, জুন ১৯ (এজেন্সী) ঃ মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা লৈবা বালৱাদি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা অলটিমেট টেবল টেনিস লীগ টুর্নামেন্টকী টাই অমদা ৱারিয়স টি টি সীনা এম্পৱারজি চেলেঞ্জরসপু গেম ১৪-৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

টাই অমদা পূন্না মেচ ৭ শান্নে। মদুদা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অহুম অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস মেচ অহুমগা লোয়নননা মিক্স দবলসকী মেচ অমা য়াওরি। ঙসিগী অহানবা নুপীগী সিঙ্গলসসতা এম্পৱারজি চেলেঞ্জরসকী হোংকোং মচা লি হো চিংনা ৱারিয়স টি টি সীগী শ্রীজা অকুলাবু গেম ৩-০ (১১-৭, ১১-৫, ১১-৬) দা থোইখি। অনীশুবা মেচ ৱারিয়সকী নাইজেরিয়া মচা কার্দি অরুনানা নুপাগী সিঙ্গলসতা চেলেঞ্জরসকী মানব থাকুরবু ৩-০ (১১-৮, ১১-৭, ১১-৩) দা থোইখি। অহুমশুবা মেচ অদু মিক্স দবলসকী ওইখি। মদুদা মোরিয়সকী সরত কমাল অমসুং ওষ্ট্রিয়া মচা সোফিয়া পোলকানোভানা চেলেঞ্জরসকী অর্জুন ঘোস অমসুং লি হো চিংবু ২-১ (৬-১১, ১১-১০, ১১-৯) দা থোইখি। মরিশুবা মেচ নুপাগী সিঙ্গলসকী ওইনা ৱারিয়র্সকী চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় চি য়োন্না চেলেঞ্জরসকী ফ্রান্স মচা সাইমোন গোজিবু ৩-০ (১১-৭, ১১-৬, ১১-৮) দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবা মেচ অদু নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইখি। মদুদা ৱারিয়র্সকী সোফিয়ানা চেলেঞ্জরসকী হঙ্গেরি মচা জিওর্জিনাবু ২-১ (১০-১১, ১১-৪, ১১-২) দা থোইখি। তরুকশুবা মেচ অদু নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱারিয়র্সকী সরত কমালবু চেলেঞ্জরসকী পোর্টুগল মচা টিয়াগো এপোলোনিক্না ২-১ (১১-৫, ১১-৬, ৬-১১) দা থোইখি। অদুগা অরোইবা মেচ অদু নুপীগী সিঙ্গলসতা ৱারিয়র্সকী জেক রিপব্লিক মচা হনা মার্টেলোভানা চেলেঞ্জরসকী দেবিয়া দেসপান্দেবু ৩-০ (১১-৮, ১১-৭, ১১-৯) দা থোইখি।

ꯑꯣꯝꯄꯦꯟꯗꯦꯟꯁ/ CONDOLENCE



All the teaching & non-teaching staff condoled the sudden and untimely demise of **MAISNAM RAMESH MEITEI** of Haorang Sabal, reading in Class V on 14-06-2018 by observing two minutes silence for the departed soul. We share the grievances faced by the family.

*Sd/-* **H. Manglemba Luwang**
***Principal,* Kangleipak Modern School**
**Singda, Imphal West**

HL-P/1664/19&20




HL-P/3248/2/6-2/7




HL-B/4594/23/4-22/6 (alt.)




HL-B/4682/7,9,11,13,15,18,20,21,23,25

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com